ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওগষ্ট ২৯, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৫৪শুবা মশীং

# পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্টতা চাদিং তৌবা
## তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংগী মরক্তা বি জে পিনা মাঙজিন থারি

তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা য়াম্লবা শেনফম অমা প্রিন্ট মীদিয়া, ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া অমসুং সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা চাদিং তৌদুনা এদভর্টিজমেন্ট তৌরি। রিপোর্ট অমনা হায়, হৌখিবা থা ১৮গী মনুংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না শেল খ্বাইদগী য়াম্না চাদিং তৌদুনা ফেসবূকতা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট তৌখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারীদগী মে ১৫ ফাওবদা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট লাখ ১.২১ তৌখি হায়না পল্লদুনা ফেসবূককী এদ লাইব্রেরি রিপোর্টনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংনা ফেসবূকতা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট তৌবদা লুপা ক্রোর ২৬.৫ হেন্না চাদিং তৌখি। ফেব্রুৱারী ১৯দগী হৌরগা গূগল অমদি য়ুট্যুবনচিংবদা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট ১৪,৮৩৭ তৌদুনা লুপা ক্রোর ২৭.৩৬ চাদিং তৌখি। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা ফেসবূক খক্তদা এদভর্টিজমেন্ট ২,৫০০ তৌদুনা লুপা ক্রোর ৪.২৩ চাদিং তৌখি। “মাই ফর্ষ্ট ভোট ফোর মোদি”, “ভারত কে মন কি বাট” অমদি “নেসন ৱিথ নামো” গুম্বা সপোর্টিং পেজশিংনসু সোসল নেটৱর্কিং প্লেটফোর্মদা লুপা ক্রোর ৪ থাদখি। গূগলগী প্লেটফোর্মশিংদনা লুপা ক্রোর ১৭ হেন্না চাদিং তৌখি হায়রি। ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী ওইনা ফেসবূকতা এদভর্টিজমেন্ট ৩,৬৮৬ তৌদুনা লুপা ক্রোর ১.৪৬ চাদিং তৌখি। গূগলগী প্লেটফোর্মশিংদনা লুপা ক্রোর ২.৭১ চাদিং তৌরগা এদভর্টিজমেন্ট ৪২৫ তৌখি। ফেসবূককী দেটা মতুং ইন্না ওল ইন্দিয়া ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা চাদিং তৌখিবা শেনফম লুপা লাখ ২৯.২৮নি। আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী ওইনদি ফেসবূক পেজদা এদভর্টিজমেন্ট ১৭৬ তৌদুনা লুপা লাখ ১৩.৬২ তৌখি। ফেসবূকতা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মরী লৈনবশিংনা হৌখিবা থা ১৮গী মনুংদা চাদিং তৌখিবা শেনফমদি বি জে পিনা লুপা ৪,৬০,১৮,০৬২; কোংগ্রেসনা লুপা ১,৮৩,৩৫,৬২২; মায় ফার্ষ্ট ভোট ফোর মোদিনা লুপা ১,৩৮,৪২,৩৬০; ভারত কে মন কি বাটনা লুপা ১,১৫,৬৪,১৬১; দেলি হন্টনা লুপা ৮৮,৪৫,৫৯০; ফ্লিপকার্টনা লুপা ৮১,৮৮,৫৫১; আম আদমি পার্টিনা লুপা ৬৮,২৭,২২৩; আর কে সিনহানা লুপা ৬৩,৫৮,২৭৩; নেসন ৱিথ নামোনা লুপা ৬১,৮০,৫৬৮; বিজু জনতা দলনা লুপা ৫৯,৩১,৩৭৫নি। পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্টতা শেল খ্বাইদগী য়াম্না চাদিং তৌরিবা কাঙলূপ নৎত্রগা মীওই অয়াম্বা হীরম অমা নৎত্রগা বি জে পিগা মরী লৈনবগী খূদম ফংবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারীদা “ভারত কে মন কি বাট” অমসুং “মায় ফর্ষ্ট ভোট ফোর মোদি” হায়বা কম্ম্যুনিটি পেজশিং থোরকখি। “নেসন ৱিথ নমো” হায়বসিনা কুমজা ২০১৩গী জুনদা থোরকখিবনি। কম্ম্যুনিটি পেজ অহুম্মক বি জে পিগা হকথেংননা মরী লৈনৈ হায়বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পি শৌগৎপা মানবা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোক্তুনা ফেসবূক, ইন্সটাগ্রাম, ওদিয়ন্স নেটৱর্ক অমদি মেসেঞ্জরদা এদভর্টিজমেন্ট তৌরকপা থেংনখি। ফেসবূকতা এদভর্টাইজ তৌরকপশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কম্ম্যুনিটি পেজ অহুম্মক্কী এদ্রেস “৬-এ, পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় মার্গ, আই টি ও, মিন্টো ব্রিদজ কোলোনি, বরাখম্বা, ন্যু দিল্লি ১১০০০২” হায়না ইরম্বা থেংনখি। হায়রিবা মফম অসিমক বি জে পি নেসনল হেদক্বার্টরগী ওফিস লৈরিবা মফমনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি উরুরগা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখলদা মায় পাক্নবা হোৎনবদা অনৌবা লাল্লোং অমা চৎথরক্লে হায়না লৌবা য়াই। মতম অমদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখল ময়াদা মীফম পাঙথোক্তুনা য়েংথিনবা পার্টি মশেলগী মরক্তা অমনা অমদা হুন্দুনা ৱা ঙাঙনবগী থৌওং চৎথরম্লবসু হৌজিক্তি মীখল ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা সোসল মীদিয়াদা য়াম্লবা শেনফম চাদিং তৌরগা ভোট খোম্বগী থবক চথুরকপগুম তৌরে। থৌরাং অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি অসুক্কী মতীক কান্নবা ফংলি হায়না লৌবা য়াই। মদুগী ময়েক শেংলবা খূদম হায়ববু পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্টতা শেল খ্বাইদগী য়াম্না চাদিং তৌবা পার্টিনা মীখলদা মায় পাক্লিবসিনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লাক্কদৌরিবা মীখলসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা করি-করম্বা থৌওং লৌখৎনরকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মরমদম চাউথোক্লবা মীগী লম নম্ফুদা লৌবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লরসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ইন্দিয়া পূম্বদা লোকদাউন লৈরিঙৈ হৌখিবা মে ১৫দা ইন্দো-চিন ঙমখৈগী নোংপোক লদাখ এরিয়াগী গলৱান তম্পাক্তা চাইনাগী লান্মীশিংনা নম্ফুদা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লানশিল্লকপা ঙাকথোকপদা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্নদনা শোক্লখিবা উতুপ লান্দা ঐখোয়গী পামুরবা জৱান ২০ মরৈবাক্কীদমক্তা থৱায়না পোন্থা ওইখি। মখোয়গী মফমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা ইকায়খুম্নজরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখি, “মশাগী মরমদম চাউথোক্লবা মীগী লম নম্ফুদা লৌশিনবসি হৌজিক্কী মতমদা চৎনদ্রবনি।” ৱাখল্লোন অসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচৈ। ৱাহৈ পরেং অসি তশেংনমক লৌথুক-লৌকোয় লৈতনা, চীরোল য়াওদনা থম্মোয়নুংদগী থোক্লকপা খোঞ্জেল ওইরগদি ইন্দো-নাগা শান্তিগী ৱারী শানবদা এন এস সী এন (আই-এম) না ঙাইহাক লৈতনা পল্লিবা দিমান্দ ‘অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মণিপুরগী লম মচেৎ খরা-খরা নম্ফুদা লৌশিল্লগা নাগাশিংতগী ওইবা অপূনবা ষ্টেট অমা শেমগনি’ হায়রিবা ৱাফম অসিদা নুংশিজরবা প্রাইম মিনিষ্টরনা থৌজালগী মীৎয়েং অমত্তং চিংশিনবীদুনা অয়াবা পীবিদনবা থৌরাং অমত্তং লৌখৎহঞ্জনীংই।

মরমদি- খৃ: কী কুমজা ৩৩দগী মৈদিংঙু নোংদা লাইরেল পাখঙবনা ফম্বাল তোংখিবা সনা হাক্তক্তগী হৌনা নীংতম্না নিংথৌ পানবা ষ্টেট অমা ওইরকপনা কুমজা ১৮৯১দা বৃটিশকী লোইলম ওইরুরবা তুং কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা অমুক হন্না নীংতমদুনা কুমজা ১৯৪৮দা মশাগী সংবিধান শেমজরগা আইন সভা লীংদুনা সাসন চলাইরবা মতুং কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মীচম মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা নম্ফুদা ভারতবর্ষদা তিনশিনখিবা মণিপুর রাজ্যগী অধিকারদগী ইন্দিয়া নীংতম্লবা মতুং মশাগী সংবিধান চৎনখিবা কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬কী মতুংদা পোকখিবা নৌরিবা ষ্টেট নাগালেন্দগী অধিকারনা হেন্না লুমহনবীগনু হায়না নোল্লুকচবনি।

*অদোমগী -অসেম নিমাাই*
*পিশুম কৈথেল মনীং, ইম্ফাল*

# নোকপা ঙম্নবা খরসু শীনবীয়ু

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



অনোকপগী লীলা য়াম্না তানীংলকই। যূমদৈ চথোক্তবা য়াম্না কুইরক্লে, য়াম্না ৱারক্লে, মসিনরা করিনো অকপ্পগী লীলা অমুক তানীংলক্তে। ঙাইহাক অমুক থৱায় তানা নোকপা পাল্লক্লে।

অকপ্পদি ঐখোয়গী খুন্নাইদা য়াম মরাং কায়না ফংবা পোৎনি। য়েংলু-য়েংলুবদা কপনীংবগী কপনীংবা ঙাক্তা ঙাইরবা ইরমদমনি। অনোকপা অমুক টেষ্ট তৌদুনা য়েংনীংলে। শাউনবা, চৈনবা, হুন্নবা, অকন-অরিং শিংনবা মীগী থম্মোয় নাহল্লগা কপনীংহনবা ঙাক্তনি। অনোকপা নত্তনা করি অমত্তা পাল্লক্ত্রে, নোকপবু ফিগাও শানা বিখা নিজরি। অসিমক্লা, ঐনা নোকহনলাই ফাগিগী মবুংঙো মাবু নুমিৎ খুদিং য়াহৌরকপগা, য়াচংবগদা খুবাম চাংজৌ তরা লোন্নদুনা খুরুমজরি। পীনবিবা কৌবা লৈত্রি মবুংঙো মানদি।

অইবনা কপহন্নবা ইবা, লমজিং-লমতাকপনা কপহন্নবা তাকপা, পুথোক্লিবনা কপহন্নবা পুথোকপা লীলানা ভাবকশিংবু কপহনবদু মতম খরদং লেপ্পীখো হায়জরি। হন্দক্তি ভাবকশিং অসি মশানা অদুম কপচদুনা লৈরিবা মতমনি। হার ফংদবগী, কোভিদ-১৯ লায়নাগী, পোৎ মমল তাঙখৎলকপগী, লম্বী চৎপা য়াশিল্লক্তবগী অদুম কপচদুনা লৈজরি। নোক্লনবা অমুক্তা শীনবীরকউ অদুনা ঐখোয় কপ্পীবগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না কপ্পা ঙমজখিরোই।

লীলাদদনসু নোকহনবা নত্তে ঐখোয়বু । অয়েকপা লাইশিংনসু ঐখোয়বু নোকপা ঙমহল্লি। মহৌশা নোংমা নোকহনলাই য়েকপা আর কে লক্সমনগী কার্টুন (নোকহনলাই) অমা থেংনৈ। লাই অদুদা মিনিষ্টর অমনা ঈশিং পিক থন্না য়াওবা বালটিন অমা য়াল্লগা খুঙ্গংদা হাইথরকপা উৎলি। মানা ঈশিং বালটিন অমখক য়াল্লগা খুঙ্গংদা লাক্লিবদু করিগীনো সার হায়দুনা মীয়াম্না মঙোন্দা হংলুবদা মিনিষ্টরদুনা খুদোরকই, “ঐনা ভোট কারগা খুঙ্গংদা ঈশিং শোয়দনা পীগনি হায়না ৱাশকখিবদু ঙাকপা ওইনা ঈশিং বালটিন অসি য়াল্লগা ঈশিং পীবা লাক্লিবনি।” আর কে লক্সমন, অবু অব্রাহম, শঙ্কর পিল্লাই, শটিশ অচার্য্য, সুধির দার অসিনচিংবা কয়াগী কার্টুননা ঐখোয়বু য়াম্না নোকহল্লম্মী। হৌজিকসু কার্টুন য়েংবা য়াম্না নুংঙাইজরি। ইপোম অমা নৎত্রগা নোক্লিংবা লীলা অমা য়েংলগা নৎত্রগা তারগা থম্মোয় পূক্লিং পেন্না নোকচবা ফংজবা অসি তাইবঙ মী ওইনা পোকচবগী মহয় য়াল্লবনি কায়না খঞ্জরি ননাইদি।

মহাও য়াওদ্রবা শুজা কারবা দবলরুটিদৌনা থোক্লবা পোলিটিক্সকী মরৈ-মরাং, নোংমনা অমা হায়বা, নোংমনা অমা হায়বা, লৈঙাক্কী থোক্ল-থোক্লবা থৌদৌ, ৱারেপ, য়াথং পোলিসি প্রোগ্রাম তাবদা হার্ট এটেক তৌদৌরে। অনম-অহা চুরে। সুপরফাইন চজিক্তা শৌগ্রি মহী হৈজিল্লগা চরা ৱানবগা চপ মান্নরে। ঐখোয় কোক্কী লায়না লোইনা লৈরকপ্রা খঙপোৎ নত্তে। নৎত্রগা লৈবু লৈরবজাৎলা হান্ননা।

অকাশবানি ইম্ফালদা ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, তখেল্লম্বম চাউবা অমদি ওইনাম বাবুগী ইপোম য়াম্না তোয়না তাবা ফংলম্মী। লাইথারোইগী ফাগি, মখোয় অহুম হি হোনবা চৎমিন্নবদা নহাক্লা কংক্রা অদু হৈদোক্লমদাই তাক্লম্মু হায়রগা কংক্রদু হেক হৈদোক্লমদাইদা হৈদোকখ্রগে হায়রগা হৈদোকখিবগী ফাগি লীলা তাকখি, ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনা রাপ থিনবদৌনা হৈ লৈ শৈথাবা, য়ূম্নাক পরেংগী চিলহাই থিথরকপদু ঙসিসু নাকোংসিদা ইনিলতা নিন্দুনা লৈরি, মকোক কাউবমখৈ তাখি হায়বদুনি। ইপোমদগী হেন্না নুংঙাইবা কুম্মৈ লৈখিদেবো ঐগীদি মতমদুদা। অকাশবানি ইম্ফালবু মতম চূপ্পদা কাউবা ঙমদ্রিবসি মতাংসিদনি।

হৌজিক ফাওবা মোবাইল ফোনদা হাপ-হাপ্তুনা ইপোম তানরি। নুমিৎ খুদিং হঞ্জিন-হঞ্জিন তারবসু মহাও হন্থবগী মহুত্তা হেনগৎলকপগী শরুক্তনি। পুক ফত্তবা মীদি নোকপসু পামদে। ঐখোয়গী লৈকায়দা হান্না পুক ফত্তবা নুপা অমা লৈরম্মী। মানা পুক ফৎত্রিঙৈদদি নোকপা অসি মানা য়াম্না পাল্লমদে। অদুবু হৌজিক্তি পুক ফরকপদগী নোকপা য়াম্না পাল্লে হায়না মানা ঐঙোন্দা নোংমা তমখিবা লৈ।

য়ামদ্রবদা ঙসিদগী চহী কুন্থ্রারোমগী মমাঙদা মণিপুরদা চাউরাক্লা শান্তি হায়বা পোৎশকসি অদুম লৈরম্মী হায়বা য়াই। নোকপা য়ারিঙৈ মতম অদুদা এ আই আর ইম্ফালনসু চাউবা, তোম্বা, বাবু, ইদুখোম্বী, খুরাই মঙলেম, নবদ্বিপ, মধুমঙ্গোল অসিনচিংবগী ইপোম তাবা য়াম্না ফংলম্মী। হৌজিক্তি তাবা ফংখিদ্রে। ফাগি হৈবা মীশক অয়াম্বনা লৈখিদ্রে।

মতম অমদা জি সী তোংব্রাগী লীলা খরা এ আই আর ইম্ফালদা তাবা ফংহৌই। *তাইবঙজাম্বগী ইমুং, ঙাবোং খাও, য়াওশঙ কাঙহৌ, মরিফুনা নিফুদা কুন্দো পরেং, তপতা* অসিনচিংবা কয়া তাবা ফংলম্মী। মোইরাংথেম ইনাও, এলাংবম দিনমনি, এম কে বিনোদিনি, তেলেম উপেন্দ্রগী ফাগি লীলা রেদিওদা তাবা ফংলম্মী। মোইরাংথেম ইনাওগী থেংনা ইরকপা রেদিও লীলা খরদি *কৈদৌঙৈ লোইগনি ইমুংগী লাঞ্জাওসে* অসি নোক্লনবা শেম্বা লীলানি। মঙলেম অমদি চন্দ্রশখিগী নুংঙাইরবা অৱাই অখুম তাবগী পেনবা নাইদে। অকাশবানি ইম্ফালগী *ঐবু কৈদৌ হায়রিনো* হায়বা লীলাসি মীয়াম্না পাম্না তানখিবা অনোকপা লীলানি। অইবশিংগী মমিং নীংশিংবা থোকচদ্রে... *ইম্ফাল কাবা, নম্বো থাবা* অসিনচিংবা লীলাশিংদুদি কাউগে শুকঙম হেক ঙমদে।

*পান্থোইবী সাইওন, থ্রী সন্স’ ত্বেন্টি ফোর ঔৱরস, চাকয়াম পোকপা* রেদিওদগী তাবা ফংখি। হৈ ৱাপন অদু য়াল্লুনু ঐনা থেক্কে হায়দুনা থল্লিবনি হায় ময়াং ইম্ফাল *তোম্বীনা থ্রী সন্স, ত্বেন্টি ফোর ঔৱরস* হায়বা লীলাদুদা। ফাগি তৌবা হৈত্রবদি চৈ চাই। ফাগি হায়বসি পীথোরকপা গুন অমা ওইবনা মী অমনা তৌবদা হেক্তা পকচদে। চার্লি চেপ্লিনগী ফাগিনা ঙসিফাওবা তুং কোয়না নুংঙাইহল্লি। লাওরেল অমসুং হার্দি, টেরেস হিল অমদি বদ স্পেন্সরগী ফাগি, ইন্দিয়াদনা কিশোর কুমার, সটিশ শাহ, জপাল ভাট্টি, জোনি ৱাকর, মেহম্মুদ, শক্তি কাপুর মমিং খরদং পঞ্জরবদা। ফাগিগা মরী লৈনবা মী ঙাক্তগী মমিং নীংশিংলকই ঙসিদি।

ইপোমগুম্না অনোকপা ঙাক্তগী লীলা কয়া লম্পাক্তা, শুমাংদা, মান্দবতা শান্নবিরবদি মণিপুরসি খংনুং নুংঙাইগদৌবা মাল্লি। হৌজিকসু অদুম হৌদোকপা য়াই আর্টিষ্ট নহা ময়াম্না পুনশিল্লগা। ফাগিগী ইফুৎ লোইনা কাংনখ্রবরা? ফাগি ইবিনবা মী লৈত্রবরা? ফাগি শান্নবা মী তাঙশিল্লক্লব্রা? ফাগি তৌরক্ত্রে য়াম্না ৱারে ঐখোয়।

মতম অমদা ঐনা লৈশাংথেম ধনবির য়াওবা লীলা মখৈ য়েংদনা তোক্তে, গৌরো (কুঞ্জরাজ) না পাখঙ শারগা বাইক্কী ষ্টেন্দ চিংখৎপা ঙমদদুনা বাইক ৱারক্তা ইনশিল্লম্মে হায়বকাদো ঙসিসু নীংশিংলি, হেমন্তগী এদেদ স্কুলগী ওজা তোলহলগী শক্তম অদু কাউবা ঙমদ্রি। অদুগা হেমন্তগী মসিমসু কাউবা ঙমদে ইকুবোক অমুক্তং শাওগৎচবা য়াগদ্রা হায়বদু। কনাগুম্বা অমনা মাগী লৈরংদা ফত্ত হৌদি তৌশিল্লম্বদা অমাং অশোই অদু অফবা অশেংবা পোৎশক অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরকপদা ফজখ্রবা পাখং অদুনা, ফজখ্রবা চেঙ অদুনা ফজ খ্রবা চাক ওইনা থোংলগা ফজখ্রবা চাক অদু ফজনা চারগা থম্লবা অমাংববু কমদৌনা অমাংবা পোৎ ওইগদৌরিবনো হায়না হায়রগা ইদুখোম্বীনা লৈরংদগী মশামক্লা অমাংবা শেংবগী ফাগি কাউবা ঙমদে। খুরাই মঙলেমগী হো বাজি হো বাজি শোরাৎ তোক্লে তাবদা কয়াদা পকচখিবা। শুমাং লীলাদসু ফাগি য়াম্না হনখ্রে। হিংসা, হিংচা য়াইতম্বা ঙাক্তা উৎপনা হেল্লক্লে। মতমসিনা ওইবা তাই। ফিল্মদদি কবোকলৈ ইনাওচা, বোনি, ওলেনগনা য়াম্না নোকহনখি। মখা তানা নোক্লিংলি, নখোয়না ফাগি তৌরকপা ঙাইরি।

অকাশবানি ইম্ফালগী ইপোম অসি ঙসি অমুক নৌহৌননা নীংশিংলকই। নুংঙাইবনিদা মতমদো হল্লকনীংখ্রেদা মতমদো। কোরোনাগী লোকদাউন মনুং অসিদা অকাশবানি ইম্ফালগী ইপোম তাবা ফংহনবীরবদি কয়াগী মতিক লমন তোল্লগনি। লৈঙাক্লসু মীয়াম্বু নোকপা ঙম্নবা খরসু শীনবিরক্কনি থাজে। ঐখোয় নোকপা পাম্বা ফুরুপনি। ●

# কলচর অমগীদমক কলচর ময়াম মুখৎপা

**নবকুমার ওইনা**

থাজবী, হৈনবী, চনিং তানা হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরবা থবকশিংগী মরক্তা কান্নরি হায়বশিংনা নাট অমনি হায়রবদি কান্নদবা, লাল্লবশিং য়াওরবদি কলচর নত্তে হায়রদরা? হায়বদি, ফজবা কলচর অমসুং ফজদবা, কান্নদ্রবা কলচর খায়বা তারক্লি। ইপানা, ইপুনা হান্না তৌরম্বনি, ফজগে ফজৌ ফজরোই তোকউ অদুমক চথুদুনা লৈগদৌবনি হায়রবদি অনৌবা কলচর অমদা পংথদুনা লৈবনি হায়রগনি। কলচরসু অহোংবা নায়বা শাজৎশিংগী মনুংদা য়াওজবা অমনি।

কলচর হায়বসিবু কেরোসিন টিন, অচাথাও টিনগুম্বা, য়াওরম্বদু চাথোক-থক্তোক্লগা চুহীগুম্বা হাপচিনবা য়াবা, মল্লগনা দশবিন ওইবা বোক্স অমগুম্বরা? দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা, ফেকলটি অমদা মীওই খরগী চাফম-থকফম, কান্নবা লৌফম ওইরবা, স্কুল-কোলেজগুম্না মী খরগী মখূত্তা লৈব্রা? ক্লবকুম্বা, ফিল্মগুম্বা মী খরগী অপাম্বদু থবক ওইনা পাঙথোকপা য়ানবা শীনবা সিনেমারা নৎত্রগা থিয়েটর অমরা? মদু লীংখৎপা ঙমজদবশিংগী কলচর লৈতে হায়বা তারিব্রা? মী ওইনা পোক্লগা, থৱায় পানবশিংগী কলচর লৈতবা হৌনদে। লৈতবগী মওং অদুমক মখোয়গীদি কলচরনি।

কলচর খরদি এসিদকুম্বনি, অতোপ্পগী কলচরবুসু চাশিনবা ঙম্বা য়াওনরি। মদুমক শীনবা ঙম্বা মীওই য়াওরিবনি। মখোয়গী কলচরদুনা গন-কলচর হায়বা অমা শাগৎতুনা হান্নগী কলচর কয়া মথক-মখা ওনবা ঙমহনবা য়াওরিবনি। মমাঙঙৈগী লান কয়াদা মীয়াম অমা ঈশিং হৈদোকপগুম হৈদোক্লগা হাৎনহল্লম্মীবনি। থাঙ-তা পায়নরগা হাৎনহল্লগা কুম্মৈ য়েংনরম্মীবনি। ঙসিনা মী য়াওদবা দ্রোন থাজিন্নরগা, মিসাইল কাপশিন্নরগা হাৎনবগী নাট অদুবুদি হোংদোকপা ঙম্নদ্রিবনি। নাট অমসুং কলচরদা ঙাওজবনি হায়বা মীওই খরনা জগোয় ঈশৈদা ঙাওজরগা লৈবসু য়াওরিবনি। জগোয়-ঈশৈ, লীলা-দ্রামাশিং অসিতবু কলচরনি হায়বদি য়ারোই। নোংমৈ, টেঙ্ক, মিসাইল ময়ামসিগী কলচর অমা শাগৎলিবসি হুন্দোকপসু য়াররোই। মীওইবসি হাত্তোক্লবগী কলচর শুনা পুজবা কাঙলূপনি। শা-ঙা অতৈনা হাৎনবগী খূৎলায় পুথোকপা নত্তে। লাই নীংবনি হায়গনি, খরনা লাইগী মিংদা হাৎনগনি। খরনা নুপী তরা-কুন থিরগা মচা চাম্মা-চাম্মা পোকপসু য়াওরিবনি। উনা-উনা, তানা-তানা খরনা মচা ’মফাও পোক্লবা ঙমদনা পুন্সি লোম্নরিবনি। কলচর অমনা কলচর অমা চাশিনবদি নত্তে, থাজবা অমনা মদোম শিজবনি। কলচর অমগা কলচর অমগদি মরোল থোক্তনা হাত্তোক্লে।

মশাগী হৈজ-শিংজববু আর্ট অমনি হায়গনি। অমনা অমগী য়েংনরগা য়েংজরিবা মীৎয়েং অদুমকসু আর্ট অমনি হায়নরি। তমজবগী মওং অমবুসু আর্ট অমা ওইহল্লে, শিনফম ওইনা আর্টস অমা হিংহল্লে। মতম শাংনা চথুরকপদগী নাট ওইজরবসু অনৌবা থাজবা, অনৌবা পাম্বা মীওইবনা চাম্মরক হোংবসু য়াওজরিবনি। ফি শেৎলম্বা নত্তে, মদুমক কাউথোকই, ফিজোল চাম্মগী ৱারীনা নাট অমনি হায়নরক্লি। থাজবদু ফিজোলদা মমি তারকই, ৱাঙাঙদা মমি তারকই, ঈশৈ ওইনা শক্লকই। মীয়াম পুনবদা, যূমলৈ-কৈরৈদা, কোনুংদা মমি তারকই। পূন্নমক নাট অমগী মনুংদা লৈজবা অমা ওইরকই। মাগী-মাগী নাটতগী করিবু খায়দোকপা য়ারিবগে? হৈনবীদা ময়াই কারকই, য়েংবদা উরিবসি হৈ-শিংজরিবা পূন্নমক্তু উবা ফংলোই নুংঙাইবগী লৈশৌপুঙ অমা অসুম ইনখৎলকপা, ৱাংখৎলকপা ঙল্লবদি আর্ট অদু মপূং ফাবা ওইরকই। কলচর অমগী আর্ট হায়বসিদি উরিবদু নত্তে, লম্বী অমনি হায়রি। খুন্নাইদুগী হীদাকনি, হৈনহল্লবদুনি, কন্না ফাজিন্দুনা থল্লিবদুনি, খ্বাইদগী নুংঙাইবা পীবদুনি, খ্বাইদগী ৱাংবা পান্দমদু ওইগদৌবনি। মতম চূপ্পদসু অনৌবা ওইদুনা লৈগদৌবনি হায়বনি। মপা-মপুদগী মতৌ তমথরকপদুনা মশামক্লা তৌদুনা লাক্লবা অমগুম মথম্মোয়দা ফাওজগদৌবনি। মদুমক অনৌবা মী মরোলদা চৈফু অমগা লোয়ননা চুহনগদৌবনি। অদুম নৌদুনা লৈগদৌবনি হায়বসিনদি ফিজোল ওইনা অনৌবা ওইবসু য়ারিবনি। মনুং মপান অনীমক্তা অহোংবা লৈত্রবদি করম্না অহোংবা নায়গদৌরি? অনৌবা মীরোলনা নৌথোকহনগদৌবনি।

উরিবদু আর্ট অদু নত্তে হায়রবদি ভিজুয়েল আর্ট হায়রিবা করিগীনো? নাকোংনা তাবা য়ারিবদু ঈশৈনি আর্ট অদুমক্তি নত্তে। ঈশৈ অদুদা আর্ট য়াওরি। ঈশৈদু তাবদা উদবা, তারিবদু নত্তবা অমা খঙহনবা ঙল্লবদি মদুমক আর্ট হায়বদু ওইরকই। উরিবা ফিল্মদু আর্ট নত্তে, শারিবা মীতমদু আর্ট নত্তে হায়রবদি করি। নত্তে, উরিবা খুদিংমক্তু আর্ট নত্তে। উদবা অমনা খঙহনবা ঙম্বা ময়াম লৈরবসিদবু কদায়দা অমুক থিরুগদৌরিবনো? লমজেল তান্নগদৌরিবদি উদবদু উবদুনি, খঙবদুনি। উদবদু মপূং ফাহনবনি, উদবদু চাউহনবনি। উদবদুগীদমক লম্বী অমা শেম্নরকপদুনি। লম্বী অদুদা লমজেল অমসু য়াওরিবনি।

অদুম চমন্নগনি, অনৌবা অদুম লাক্কনি, অদুমক নৌদুনা লৈগনি, অদুমক খঙবা ঙম্নরক্কনি। খঙবা ঙমদ্রগা লংথোকখিগদৌবা নত্তে, ফাজিন্দুনা থমগদৌবনি। ঙসিদি মরম অদুমক্লা চমন্নবদি অদুম লোয়নদুনা লৈগনি, চমন্নহনবা অদুমক মহাও অমনি। অমম্বদুদি উরোই, লৈরে হায়বদি য়ানরগনি। অনৌবা অদুম লাক্কনি, অদুম নৌগনি। জগোয় ওইনা, কুম্মৈ ওইনা উগদৌবা নত্তে, ঈশৈ ওইনা তাগদৌবদি নত্তে। অমম্বা ওইনা লৈজরবসু মশাগী মঙাল অমনা কোয়শিল্লগা লৈজরবনি। মঙালদুনা নাট ওইনা শন্দোক্লগা লৈবসু উনরিবনি, মদুগী মহাও খঙনরবনি। চঙশিল্লগা ওৎখায়বা নত্তে, মহাও তংনরিবনি।

আর্টিষ্ট অমনা মশানা তৌজরিবদু খঙজদবসু য়াই, উজদবসু য়াই। নুমিত্তুগী ময়ায়দা লৈবা মী অমনা মঙালগী কান্নবা লৈরোই, মোমোন্তমক নোকপসু য়ারিবনি। মীওইবগী খ্বাইদগী চাওথোকচবসি আর্টিষ্ট অমা ওইবসিনি, লাই নীংবশিং, লাই লাৎপশিংনা হেক্তা য়ৌবা ঙমগনি হায়বসু লৈতে। মখোয়বু তাকপীরিবা ওজাশিং, য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসরশিংনা অমম্বদুগী মহাও লাম্বা ফংদবগুম য়ারিবনি। মাইবী চঙবগুম মীয়ামগা শম্নদবসু য়ারিবনি। য়াদে হায়রম্বদুনা এৱাঁদ ওইনা পীবসু লৈরিবনি। মশানা আর্টিষ্টনি হায়বা কাউরুবদগী মচা মশুশিং মীরায়রুবা, চৈ থাংলুবা, ফুরুবা, মরূ কোক্লুবা, নোংমৈনা কাপশিল্লুবশিং, হাত্তোক্লুবা ময়ামগী থৱায় ময়াম্না মনাকোংদা পাউ ময়াম পীশিল্লকপা য়ারিবনি। লাই হায়বদু নৎত্রবসু কবি ওল্লকপা, নিংথৌ ওইরকপা কয়া য়াওনরিবনি। ঐখোয় খরনা ইজরিবা অসিগীদি পাবিনবা লৈরবা নৎত্রি। পানবা ইদ্রবা, তানবা ঈশৈ শক্ত্রবা, য়েংনবা মীতম শাদ্রবা, লাই য়েক্ত্রবা মী লৈরম্বগী মমি তারোইদৌরিবনি। নাট ওইনা লৈরমদ্রবদি মী লৈরমদে হায়গদৌরিবনি। খোঙ্গুল হক্লিবসি আর্ট অদুননি, নাট ওইনা লৈবা উনরক্লিবনি। হৈনবী লম্বী অমখক্তনা নাট অমা মপূং ফাহনবা য়ারক্তে। লম্বী চাম্মনা পুনশিল্লবা ফোক্কস অদুতনা টোর্চ লাইট ওইনা শীজিন্নরকই। হৈনবী হায়বসি অমখক্তা নত্তে, মায়কৈ চহুম হুম্ফুমক লম্বী অমমমনি। লৈথক-লৈখাদসু নাট ওইনা অহাঙবগী লমখৈ থিরক্লিবনি। সমুদ্রগা তাইনবা লৈঙোইগী লম্পাক্তা লোইবা য়ারোই, শিবা-চঙবা খঙদে ঈশিং মথক্তুদা হি হোন্দুনা শান্নীংগনি। ঐখোয় খরগী য়ুনিভর্স হায়রগা থৱান্মীচাক ময়াম্না লোইবা অদুনা পেল্লক্লোই, অহাঙবসিগী ঙমখৈ পাল্লক্কনি। অদু য়ৌনা থিবা নাট লৈগনি, হৈনবী লৈগনি। পামজদবা অমনা ঙাওজরিবা অমদা চৈ থাংবদি লাল্লি হায়রক্কনি। কনাগুম্বনদি কলচর য়াওদবনি হায়গনি। অপাম্বা থিবদুদি কলচরনি, চৈবদুনদি কলচর ওইরকপা হৌনদে। হৈনবীদু লৈনা লৈনা মীনম্বগী কলচর অমা শাগৎপা হৌনদবা অমনি।

লৈঙাক শেম্বগীনি হায়গনি, ভোট লেপ্পরিবসিগীসু কলচর অমা ওইরিবনি। ভোট মতাদুনা, মী মতাদুনা, ইলেক্সন মতাদুনা লৈঙাক অমা শেল্লগনি হায়বসি অচৌবা মীনম্বা অমনি। মীয়ামদুগী কলচর হাত্তোকপা হায়বদুনি। কলচরদু হাৎপা হায়বসি মীদু হাৎপনি। মী হাৎপদু লৈবাক শেম্বা কৌগদৌরিব্রা? উচেক্তু পাইগনু হায়বা য়ারোই, এম এল এদু চোঙগনু হায়বা য়ারোই হায়রগনা কমদৌবা। মনাট ওইখৎলক্লবনি। ফৈ ফত্তে হায়বশিংগীসু মনাট ওইরক্লে। লৌবা লৌদবদুনা অমা ওইখ্রে। মখোয়গী লাংবদুনা খুন্নাইদুগীসু নাট হায়বদু ওইরেদনা। কয়াদি ফজরে, লাইশঙনা কান্নবা নৎত্রে, মসজিৎনা কান্নবা নৎত্রে, চর্চনসু কান্নবা নৎত্রে, লাইনীংনা কান্নবা পীবা ঙল্লক্ত্রবনি। মসিদগী হেন্না ফজবা নাট/কলচর কদায়দগী কোৎলুগনি।

শগোল মুৎখ্রে, কংলাদি শগোলনা ঙাক্লম্বনি। অরাম্বাই মরী তৎখ্রে, থাঙ-তা লংথোকখ্রে, জগোয় ওম্থোকখ্রে। লাই লোৎখ্রে, ঈশৈ ওনখ্রে, চাফম ওইখ্রে। নোংমৈ ফাওবা হুরানপোৎ ওম্থোকখ্রে। কয়াদা ফজখ্রবা নাট হায়বদু ওল্লক্লবনো? চেঙ-হৱাই গাড়ীনা য়েল্লি, মন্ত্রিনা লৌ উবনি, কোভিদ-১৯ পুশিল্লকপনি, হায়বা ইনবগী নাট অদুমক ভোটকী নাট অদুমক্কি অনৌবনি। মালেমগী লাঞ্জাওশিং অদুদগী কোভিদ-১৯না হেন্না শোকহল্লে। লাইয়েংবগী কলচর লৈরমদ্রে, হৈরমদ্রে। অমায়বগী ফেকলটি হকচাং অমসুং ৱাখলদগী মাঙখ্রে। গন কলচর, যুগী কলচর, দ্রগকী কলচর, কোয়লাউ লাউবগী কলচর অদুদি অদুমক হিংলি। শিবগী কলচর, লুহোংবগী কলচর মুৎপা য়াবদি নত্তে। শিবদি শিরি, পোকপদি ঙমদ্রে, হাৎলেদনা। হান্নগী হল্লকপীগী কলচর, ওক্তবীগী কলচর, রেষ্টুরেন্টকী কলচর, পান দুকানগী কলচর, মৌ কোয়নবগী কলচর ময়ামদুদি মুৎখ্রবরা? অনী লোনবগী কলচর অদুদি পোলিটিকেল কলচরগা ইতোৎ তোৎশিন্নরি। ৱাখল চনিং তানা পুথোরকপা অনানবা (এস্থেটিক) পোথোক ওইহৌনবা, ওইনবা শাগৎলিবা কলচর অদুদি কদায়।

ঈশৈ শকপা অমগা পেত্রিওটস অমগা আর্টিষ্ট ওইবগী মঙমদা খেন্নরকই। ঈশৈ শকপদি পেত্রিওটস ওইদ্রবসু য়াই, মীতৌ তল্লগা তোকখিগদৌরিব্রা? নাট অমগী মীয়ামগা চুশিন্নজরবা হৈনজবীনা শেমজরবা কলচর অমগী মপুন্সি হায়বা লৈতে, মতম চুপ্পগীনি। টোর্চ লাইটতু কদোমদা কাপ্লিবগে, অঙাংংশিংনা শেন্দাং ফানবা পুখ্রবরা? ●